**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-12-2024)**

**পুলিস (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থি হুন্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৫২৩ ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী খুনখো ভিলেজগী জঙ্গলদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফারবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুদা পোইন্ট টু-টু রাইফল অমা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট টু টু রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৪৯ অমদি মেগজিন অমা য়াওরি।

**লাইব্রেরী (এল)ঃ** ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ঙসিদগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী ওদিটোরিয়মদা হৌরগনি।

ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফাল অমসুং রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী টুয়েল্ভ দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরীজনা রাজা রামমোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন কোলকাতাগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বুক ফেয়ার অসি থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথগনি।

**এৱার্ডঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা হৌজিক হৌজিক মায়োকরিবা হকচাং শোকনিংঙাই ওইবা অকোইবগী ফিভম অসিগী মতাংদা মতৌ করমা ফগৎহনগদগে হায়বদুগী থৌরাং পায়খৎনবা

খঙহন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা নেসনেল ইনর্জি কঞ্জারভেসন এৱার্ড ২০২৪ গী মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিনা হৌজিক হৌজিক মায়োকরিবা অকোইবগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা ফগৎহন্নবা ঐখোয় পুমমকা হোৎনমীন্নদুনা থৌরাং কয়া পায়খৎলসি। লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমকা অমত্তা ওইনা অকোইবগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনমীন্নসি।

**সংসদঃ** ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগা মরী লৈনবা বিল অনি লোক সভাদা হয়েং পুথোক্লগনি।

কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-আরজন্ রাম মেঘাৱালনা দা কন্সটিট্যুটসন (ৱান টোইন্তি নাইন্ট এমেন্দেমন্টে) বিল অমসুং দা য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল পুথোক্কনি।

ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগা মরী লৈননা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কমিতিগী প্রস্তাব সরকারনা অয়াবা পীখিবনি। মসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মীখল অমুক্তদা পাঙথোকবগী লম্বী য়াৎলে।

হান্নগী রাস্ত্রপতি-রামনাথ কোবিন্দনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অদুনা ষ্টেকহোল্ডরশিং, রাজনিতি দলশিং অমদি অখণ্ড অহৈশিংগী মোত লৌখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি। অদুগা, পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিতিগী মীখলশিংনা সধারনগী মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সংবিধান অসি লৈবাক অসিগী অপুনবগী মরুওইবা য়ুন্থী ওইরি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম, জাতি পুমমকা অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহন্দুনা সরকার অসিগী থবক থৌরমশিংনা লৈবাক অসিগী অপুনববু ঙাকবগী পান্দম থল্লি।

লোক সভদা ঙরাং সংবিধান শেমখিবগী চহি ৭৫ শুরকপগা লোয়ননা সংবিধান অসিবু মায় পাকা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা অসিগী মতাংদা খন্নখিবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী সরকার অসিনা লৈবাক অসিদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোর্ট চৎননবা থৌরাং তৌরি। মসিনা সংবিধান অসিবু হেন্না মশক থোকহল্লগনি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাকবগীদমক তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু পায়খৎলে।

**জয়শঙ্করঃ** ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কা লৈবাক অনিগী ৱাফম কয়া খন্ননবা শ্রীলাঙ্কাগী রাস্ত্রপতি-অনুরা কুমারা দিসা নায়েকে, নুমিৎ অহুমনিগী খোঙচৎতা ন্যু দিল্লিদা থুংলরগনি।

অনুরা কুমারা সিদা নায়েকেনা শ্রীলঙ্কাগী রাস্ত্রপতিগী ফম পায়খ্রবা তুংদা ভারতকী অহনাবা খোঙচৎ ওইনা লৈবাক অসিদা থুংলগদবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নদুনা লৈবক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। শ্রী দিসা নায়েকেনা দিল্লিদা পাঙথোকপা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা থৌরম অমদসু শরুক য়াগনি। মহাক বিহারগী বৌধাগয়াদসু চৎকনি।

**হায়ৱেঃ** নেসনেল হায়ৱে ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (এন.ঐচ.এ.আই) না লৈবাক অসিগী হায়ৱেশিংদা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি মখোয়গী খুদোংচানবগীদমক অনৌবা রুট পেট্রোল্লিং ভেহিকল-রাজমার্গ সাথি থমবা থৌরাং তৌরে। মসিনা হায়ৱেশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অকি-অখঙ পোকপা হন্থহল্লগনি। ভেহিকল অসিদা অনৌবা মখলগী রোড সেফতি টুলশিং অমসুং এদভান্স কম্ম্যুনিকেস সিষ্টেম য়াওরি।

**হোকিঃ** ওমানগী মাসকেটতা চংথরিবা নুপীগী জ়নিয়ার এসিয়া কপ হোকি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ভারতকা চাইনাগা থেংনরগনি।

মমাংগী চেম্পিয়ন ভারতনা জপানবু মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদ, চাইনানা সাউত কোরিয়াবু অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চংল্লকপনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নোংমৈ কাপবনি হায়বা থৌদোক্তা অমা শিরে, খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে, মীয়ামনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ, নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিল সংসদতা পুথোক্লগনি হায়বা পাউ অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট লোগী ৱাংমদা লম একর ৫.৭ তা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং মাঙহনখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা-হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যূজ, সনা লৈবাক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, মোরনিং বেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেশিং অসিদা ফোংলি।

মনিপুর লান অসুম শাংথরকপদগী লো এন্দ ওর্দর পোরোং থোক্লব্রা হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিল হাউসতা পুথোক্লগনি হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

অলফ্রেদ অমদি কল্যান বেনর্জিনা মনিপুরগী ইশু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবগী পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং রিলিজনগা মরী লৈনদে। ওপোজিসননা পোলিটিসাইজ তৌনবা হোৎনৈ হায়বা অমিত সাহগী ৱাফম অমসু মনিপুর ন্যুজতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মতম কুইরবগী তুংদা মনিপুর পুলিস কম্মান্দোগী মহৌশাগী থবক থৌরমদু অমুক হৌরক্লে। পুলিসনা মীওই অমা হাৎখ্রে, খুৎলায়গা কোন্ননা তরুক ফারে, খুল ঙাকপা হাৎপা, ফাবগী ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল ২০২৪ হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুরগী তুংলমচৎ শেন্দদা শুমাং লীলানা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বা বুধা চিংথামগী ৱাফমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্দিজিনস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিবেল লোয়শিনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পুৱারীগা শগোন্নরিবা নিঙেল থোংখোং লৈঙাকা হন্না য়েংবীদনা থল্লি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বি.আর.ওনা বোদর ফেন্সিং খাবগী থবক হৌরে হায়বা পাউ মোরনিং বেল পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নেসনেল লোক অদালটতা লুপা কোতি অহুম সেট্টল তৌখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।